# হীদাক কান্নরবা পান্বীশিং ঃ খং

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –

সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ



হেক মনম নম্বদদি য়াম্না নমথীবা অদুবু এঙ্গাং মথেল অমা ওইনদি য়াম্না হাওনা অমদি পাম্না চানবা পান্বীশিংগী মনুংদা খং হায়রিবা পান্বী অসি থোইদোক্লা শিংথানবা য়াই। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি খং পান্বী অসি কংঙৌ (কাঙ্গৌ) ঙৌদুনা নৎত্রগা ইরোনবা ওইনা থোইদোক্লা পাম্না চানৈ অমসুং কৈথেলশিংদা য়াম্না তোয়না য়োনবা ঐখোয়না থেংনৈ।

খং পান্বী অসি ইংলিসতা ক্লাইম্বিং অকাসিয়া (Climbing Acacia) নৎত্রগা ক্লাইম্বিং ৱেট্টল (Climbing Wattle) নৎত্রগা ফেদর অকাসিয়া (Feather Acacia) নৎত্রগা নেরো-লিভ সোপ পোদ (Narrow-leaved) Soap Pod), হিন্দিদা বিসৱাল (Biswal) নৎত্রগা লাতাখাদিরা (Latakhadira) নৎত্রগা আইলা (Aila), নেপালিদা আরারে (Arare) নৎত্রগা অর্ফু (Arfu), বেঙ্গোলিদা কুচাই (Kuchai), মিজোদা কাংখু (Kanghu), অয়ুর্বেদদা অরি বালীখাদিরা (Ari Ballikhadira), থাইদা চা-ওম (Cha-om), বর্মিজদা খেরম (Khmer), থাদৌ-কুকিদা খু (Khu) নৎত্রগা খাংখুৱা (Khangkhuh), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *অকাসিয়া পিনাতা (Accacia Pennata (Linn.) Willd)* নৎত্রগা *সেনেগালিয়া পিনাতা Senegalia pennata (Linn.) Maslin)* নৎত্রগা *অকাসিয়া পেন্টগোনা (Acacia Pentagona (Schumach & Thonn) Hook.f.)* হায়না কৌই অমসুং *মাইমোজেসী (Mimosaceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি। খং পান্বীগা শাগৈ পূনবা অতোপ্পা পান্বী খরদং পল্লবদা - লম-ইকায়থবী পান্বী (Mimosa Pudica Linn.), য়োংচাক পান্বী (Parkia roxburghii G. Don), ইকায়থবী পান্বী (Neptunia Oleracea Lour.) অসিনচিংবনি।

খং পান্বী অসি য়াম্না চাউবা ঙাথু-থেংথুদুনা অতোপ্পা পান্বীদা কাদুনা নৎত্রগা মখোয় মশেন য়েৎশিন্নদুনা চবুন ওইনা (large scrambling or climbing shrub) হৌবা য়াম্না থৌবা তেন্তক তৌবা অমদি কোন্তক তৌবা তিঙ্খংশিং কুংনা পানবা পান্বীনি।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না খং পান্বী অসি খা অমসুং খা নোংপোক থংবা এসিয়াগী লমদমশিং অমদি হিমায়লগী সমুদ্র ঈমাইদগী মিটর ১৭০০ ফাওবা ৱাংবা মফমশিংদগী হৌরকখিবনি। খং পান্বী অসি বেঙ্গোল, বিহার, ইন্দিয়াগী ময়ায়, নোংচুপ অমসুং খা থংবা মফমশিংদা হৌবগী পাউদমশিং লৈ। অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী অয়াম্বা মফমশিং মরুওইনা মণিপুরদা খং পান্বী অসি থোইদোক্লা মরাং কায়না হৌবা ঐখোয়না থেংনৈ।

বোটানিকেল সর্ভেগী মতুংইন্না খং পান্বী অসি মণিপুরদা মহৌশাগী ওইনা হৌজে। পান্বী অসিগী মমিং অসি করি মরমদগী খং কৌনবগে হায়বগী মতাংদা অসুম্না থাজনৈ মদুদি পান্বী অসিগী মনা অমসুং অনৌবা মতোন অদু নৈখায়রগা মনম নম্বদা য়াম্না শাথিনা নমথীবা মনম অদুনা মনম নল্লিবা মীওই অদু খংপ্রেক খংবগুম তৌবদুদা খং পান্বী হায়না কৌখিবা ওইরমগনি হায়না থাজনৈ। খং পান্বী অসি চানবা অমদি কৈথেলদা য়োন্নবগীদমক্তা শেন্দাল লম্বী অমা ওইনা মণিপুরগী খুঙ্গং খরদা পাক শন্না থানবগী পাউদম অসি ঐগী মরুপ নরেন্দ্রনা পাউদমবীরকই।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না খং পান্বীগী মনাদা ওক্তাদিকেদিনোইক (Octadecadienoic), ওক্তাদিকেনোইক (Octadecanoic), পালমিতিক (Palmitic) অমসুং পেন্তাদিকোনোইক (Pentadecanoic) এসিদশিং, লুপিওল (Lupeol), বিতা-সিতোসতেরোল (β-Sitosterol) অমসুং তেন্নিনশিং (Tannins) য়াওই। খং পান্বীগী উগী মকুদা তেন্নিন অসি চাদা ৯গী চাংদা য়াওবগী মথক্তা লুপিওন (Lupeol) অমসুং অলফা-স্পিনাসটেরোল (Alpha-spinasterol) অসি য়াওবগী পাউদমশিং লৈ।







খং পান্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি খং পান্বীগী অনৌবা মতোন অদু আলু অমসুং তিলহৌ-চনমগা লোয়ননা অচা-থাউদা ফজনা ঙৌরগা য়াম্না হাওবা মথেল অমা ওইনা চাক্কা চানৈ। য়োংচাক্কী মহুৎ শিনবা অমা ওইনা খং পান্বীগী অনৌবা মতোন অদু ইরোন্দুনসু চানৈ। খং পান্বীগী অনৌবা মনা অমসুং মতোন অদু খজিং নৎত্রগা ফাবৌ ঙাগা থাওদা ঙৌদুনা শেন্বা মথেল অসি থোইদোক্লা পাম্না চানৈ। থাইগী মীওইশিংনসু খং মনা থাওদা ঙৌদুনা চানবগী পাউদমশিং লৈ। খং পান্বীগী অনৌবা মনা অমসুং মতোন অদু য়েরুমগা ঙৌদুনা ম্যান্মারগী মীওইশিংনা য়াম্না পাম্না চানৈ। ম্যান্মার, কম্বোদিয়া, লাওস, ইন্দোনেসিয়া অমসুং থাইলেন্দদা খং পান্বীগী অনৌবা মতোন অদু এঙ্গাং মহী শেন্বদা শীজিন্নৈ। মতোন অদু লিশিল্লক্লবদি তিঙ্খং পাল্লকই অমসুং চাবদা মহাও লৈতে। অৱাং থংবা থাইলেন্দগী লমদমগী মীওইশিংনা খং পান্বীগী অনৌবা মতোন অদু কূপ্না কক্লগা হৈনৌ পান্না শোইদুনা শলাদ অমা ওইনা চানবগী মথক্তা কেঙ-খে (Kaeng Khae) হায়না কৌবা এঙ্গাং মহী অমা থোংবদা শীজিন্নৈ।

খং পান্বী অসি য়াম্না কুইরবা মতমদগী হীদাক ওইনা শীজিন্নরক্লি অমসুং থোইদোক-হেন্দোকপা মগুনশিং য়াওই। খং পান্বী অসি অয়ুর্বেদদা আদারি নৎত্রগা আরি, সিঘাদা ইন্দান নৎত্রগা ইন্দু নৎত্রগা ইয়াক-কোলুন্টু হায়না কৌই অমসুং পান্বী অসিগী উ (Heartwood) অদু কুষ্ঠী থুংবা (Leprosy), ঈ হাথবা (Haemorrhages), অশোক-অপন তৌবা (Wounds) অসিদা লায়েং হীদাক ওইনা কুইরবা মতমদগী শীজিন্নরক্লি।

কোক চিকপা, লোক থুংদুনা নাতোনগী ফক্লাংদা (কুরাংবা দা) নপতোং কাবা, চাবা তুমদবা, নুপীগী ফীঙৌ চৎপা (লিউকোরিয়া) অসিনচিংবশিংদা খং পান্বী অসি লায়েং হীদাক ওইনা শীজিন্নরক্লি। হায়রিবা লায়েং মখলশিং অসিদা খং পান্বীগী উগী মকু অদু হরা-কংখু তৌবগী হীদাক ওইনা শীজিন্নবগী পাউদমসু লৈ। অয়ুর্বেদকী লায়েংদা ঈ শেংদবা অসি রক্তদোশা (Raktadosha) হায়না খঙনৈ অমসুং লায়েং অসিদা খং পান্বী অসি হীদাক ওইনা শীজিন্নৈ। য়া চীক্তুনা য়াখোঙদগী ঈ থোকপদা খং পান্বীগী মনাগা, জিরাগা (ক্যুমিনম সাইমিনম), চিনি খরগা শুগাইরগা য়াখোঙদা থোমদুনা লায়েংনবগী পাউদমশিং লৈ।

হরা কংখু তৌবদা খং পান্বীগী অনৌবা মসা অদু পোপলি-পোপলি শুগাইরগা য়ানা শায়দুনা মহী অদু চুপশিলহন্দুনা লায়েংনৈ। হকচাং চীকপা-নাবা তৌবা, কোক চিকপা অমসুং অরুম-লাইহৌ তৌবদা খং পান্বীগী নৌতক তৌবা মনা অদু শুগাইরগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা লায়েংবগী চৎনবী অমা লৈ। খং পান্বীগী মনা শুগাইদুনা লৌবা মহী অদু শঙ্গোমদা নৈখায়রগা শেন্বা মহী অদু অঙাংশিংনা চাবা তুমদদুনা অশংবা মচুগী অমাংবা ফায়বদা পীথক্তুনা লায়েংনবগী পাউদমসু লৈ।

র‍্যুমেটিজম হায়না খঙনবা তাং চাউথোক্তুনা চিকপা-নাবা তৌবদা খং পান্বীগী মরাগী মকু অদু কংহল্লগা কূপ্না তকখায়রগা নোংমদা অমুক পীজদুনা লায়েংনৈ। অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুংইন্না খং পান্বীগী উগী মকু অদু গ্রাম ৫-৬কী চাংদাদা নোংমদা অনীরক হাপ্তা অমরোম পীজদুনা কংখু লায়েংবগী পাউদমসু ঐখোয়না থেংনৈ।

খং পান্বীগী মহৈ অমসুং উ অদু ম্যান্মারদদি ঙা হাৎনবা (Fish poisoning) ওইনা শীজিন্নৈ। উদগী থোকপা গম-মহী অদু ঙা ফানবা লাংগী মচু শংবদসু শীজিন্নৈ। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## লাইবক থীবী কোংবা য়াইরিপোক (ঙারিয়ান) লম্বী

*ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

মহৌশাগী নিংথিরবা পূক্নিং হুনা ফজরবা লৌবুক-লমহাং, থেক্লা খোয়না হাইগৎলিবা চীংগী নাপোম, উ-ৱা কয়ানা লৈতেং ওইরিবা ঙারিয়ান লম্বী, ইম্ফাল নোংপোক মায়কৈ, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট য়াওনা তোঙান তোঙানবা মায়কৈ কয়াগী লাইফ-লাইন ওইরিবা অদুগীসু মথক্তা ইম্ফাল ময়োল অমদি মসিগী অকোয়বদা শাগৎলিবা শেমগৎলিবা কয়াগী নূং-লৈঙোই পুরকপগী য়াম্না মরুওইখ্রবা লম্বী, টুরিজমগী মায়কৈদা য়েংলুরবসু মমিং লৈরবা অন্দ্রোগী অর্কাইবস, সন্থেল পাৎকী লৈকোল, পোইরৌ পাৎকী পোইরৌ লময়াই, কাইনগী গোবিন্দ, থম্বালনু কৈথেল পূম্নমকশিং অসিগী মরুওইবা কয়া লৈদুনসু লম্বী অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম কূপ্না অমুক্তং নৈনরবদি নীংবা কায়নীংঙাইনি।

কোংবা থোং হেক লান্থোরকপদগী লম্বীগী ফীভম থীনা শোক্লকপনা চহীমুক্কী মমাঙদা লমদম অদোমগী মীয়াম্না হঞ্জিন-হঞ্জিন লম্বী থিংবদগী ইরিলবুং থোং ফাওবা শেমখ্রে। ইরিল থোং ৱাংমদনা মখা তানা কুইনা শেন্বীদবদগী য়াম্না খুদোংথীনীংঙাই ওইরক্তুনা ইরিল, কৈরাও, বিত্র, লংদুমগী মীয়াম্না লম্বী অমুক থিংবদগী পোত্থা-পোত্থা শেন্নকপনা থা ফনা য়ামশিল্লক্লে। ৱাংখেম খুল মচিন ফাওবদি য়ৌরক্লে। ৱাংখেম খুনগী ময়ায় চবুক্তা উকু অমখক তঙ্খাই অমা চল্লগা লোইশিন্দনা তঙ্খাইদা ৱানা চৎনরকপা চহী য়ামশিল্লক্লে। কনানসু য়েংশিন্দে, করিসু হায়নদে অদুম চৎনবা কুইরক্লে। কোংবা থোংদগী ৱাংখেম খুল মচিন ফাওবসি শেন্নকপদা চাউরাক্লা চহী অমা হেনজিল্লক্লে। ৱাংখেম খুন্দগী য়াইরিপোক থোং ফাওবদি ৱার মমাঙগী লম্বীদগী থোইনা হেন্না ফগত্তনা লৈরি। অদুবু য়াইরিপোক্কী মীয়াম্না ইকুই কুইদ্রিঙৈগী মমাঙদা লম্বী তৌখায়দুনা থিংবদগী চীংখোংদগী য়াইরিপোক থোং ফাওবদি খরা খরদি শেন্বা হৌখ্রে। লম্বী অসি ইম্ফালদগী কিলোমিটর ১৯ খক্তা শাংবা লম্বীনি। খরা শেন্বা হৌরিবসিসু মীয়াম থোরক্তুনা লম্বী থিংবা, তৌখাইবা তৌরকান্দা শেন্বা হৌবনি। চহী অমা হেন্না চংলক্লে। লুরিবদি চীংখোংদগী হৌরগা চীংগী শরুক মখৈদি চীংয়াংদা খন মচা অমা তাবা নত্তনা অতোপ্পা তাদবনা লম্বী থিংবীনবা লৈতবনা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি অসুক্কী মতিক খুদোংথীনীংঙাই অমদি কিনীংঙাই ওইরে। চপ চাবা লম্বী ওইরক্ত্রে। মীশি মীনা থোকপা য়াবগী ফীভম ওইরে। মতম অমদা ৱাংখেমলোমগী চীংখোংদা গাড়ী মচাদা লাকপা মতৈ-মনাও কোম অমা থৈনবা হোৎনবদা কোম অমদা তাশিনবদগী মাগী নুপী পুন্সি লোমখ্রবনি। অতোপ্পা ঐ ইশামক্লা থেংনজহৌবা থৌদোক কয়াগী মথক্তা খঙহৌ-উহৌদবা কয়া অমসু মশা মশানা লাইবক্কীনি খন্না কনা খঙদ-উদা চৈনা খাঙখিবা কয়ানি।

মতাং অসিদা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা নৌরিঙৈ মতমদা থম্বালনু কৈথেলদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা চীফ মিনিষ্টর মশানা লম্বী অসি অথুবা মতমদা শেন্নগনি লাউথোকপীরমই। ওল্লকপা চহীদা মরী লৈনবা মন্ত্রিনসু অথুবদা শেন্নগনি হায়না লাউথোকপীরম্লবা মতুংগী ফীভমনি ঙসি ঙসি ঐখোয়না থেংনরিবা লম্বীসিগী ফীভম। অহানবা ওইনা শেমখিবা কোংবদগী ইরিল ফাওবগী ফীভমসু হান্নগী ফীভমদা অসুম অসুম হঞ্জিল্লক্লি। শেমখিবা কুইদ্রিবা লম্বী মতেক অসিদা হৌজিক হৌজিক কোম অচৌবশিংগী মনুংদা কোম মচানা ৪০গী মথক্তা লৈবা হৌরে। ইরিলদগী ৱাংখেম খুনজিন ফাওবা পোত্থা-পোত্থা শেমখিবা মতম কুইবা য়াবা কুইরে, মচি লেংখিদ্রে।

মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা অমদি ঐখোয়না লম্বীদা থৌনরিবা গাড়ী মচাদগী অচৌবা পূম্নমক লেম্না চৎপা অমত্তা নত্তে। টেক্স থিরিবনি, মমল পীরিবনি। টেক্স থিদনা হেক থৌরুবদা ফারগা অফোংবা নৎত্রগা অরোনবা ফাইন থিহল্লিবনি। অদুনা টেক্স থিদ্রবদি চৈরাক ফংই। অদুনা মীপূম খুদিংনা টেক্স থিনরিবনি, মমল পীরিবনি। মমল লৌরবদি লম্বীশিংগী য়ামদ্রবদা ষ্টেন্দর অমদি থম্ফম থোকপ্রা খল্লি। মদু থমদবা তারবদি দুকান্দা সব-ষ্টেন্দর ওইবা পোৎ য়োনবগী, মরম চাদনা মমল হেন্না লৌবগী কঞ্জুম্যর ফোরম্না ফাইন থিহনবা, চৈরাক পীবগী পাউচেদা, টি ভিদা তোইনা থেংনরিবা অদুগুম্না লৈঙাক্কী মথক্তা থম্লোইদবগী মরম লৈব্রা? লম্বীদা চৎলিবা গাড়ী খুদিংমক মমল পীরগা থৌরিবনিনা মখোয়সু কঞ্জুম্যরনি হায়না লৌরগা মখোয়গীসু রাইট লৈফম থোক্তব্রা? লম্বী ফত্তবনা মরম ওইরগা মীশি-মীনা তোক্লিবা, গাড়ীগী অতেক-অকায় থোক্লিবা, মতম মাঙলিবা পূম্নমক অসিগী থৌদাং লৈঙাক্লা লৌরোইদবগী মরম লৈব্রা? মখোয়দা মতিক চাবা ক্ষেতিপুরোন পীফম থোক্তব্রা? খাজনা খোম্বদদি অকনবা মীৎয়েং থমই, লম্বী শেন্বগী ৱাফমদি মীয়ামগী ঈহৌদা শিন্নখ্রবা মাল্লে।

ফীভম শোক্লবা লম্বীগী অৱাবা মরক্তা অহেনবা চৈথেং অমা অমুক হাপ্পীরক্লি। ৱাংখেম চীংখোংদগী খরা হাইগৎলকপদা লম্বীগী মতাইদা অমোৎ-অকায়, ফত্ত-হৌদি মপৈ-মপৈ পৈশিন্দুনা দম্পিং গ্রাউন্দ ওইহল্লক্লি। মহৌশা লাইরেন্বীগী নিংথিরবা তম্পাক্তা ফত্ত-হৌদিগী নমথীবা মনমনা করিগুম্বদা নাতোন মেন মেন্দুনা চৎনবা, ওন্থোকপা ফীভম অমা অমুক ওইরক্লি। করিনো ইরমদম মণিপুরগী ওইরক্লিবা ফীভমসিবু। মসিবু চাওখৎপা হায়সিরা, করিবু হায়সিগে? গাড়ী অতাঙ-অতাঙবা তোংলগা, মশা নান্না লাক্লগা চাউর-চাউরবা অমোৎ-অকায় ময়োমনি মহৌশা লাইরেন্বীগী তম্পাকসিদা খুদোল তম্লন্নিবা। হেক হুন্দোক্লম্লগা খূৎলৈ থুনা হায়ফেৎ ৱাই শংনা শৎ থৌখি। মখোয়না খল্লমগদবা ৱাখলদুনি ঐনা খঙনীংলিবা। লেপ্পা লৈতনা পৈশিল্লক্লিবা মপৈদু অনকপা ৱাংখেম খুনগী মীয়াম্না শেংদোকচৈ, মৈ থাদোকচৈ, প্লে কার্দ অমদা ইরমই 'মফমসিদা ফত্ত-হৌদি হুন্দোকপা য়াদে-ফাইন লুপা ১০০০/-' খরা লৈরগা মফম অমুক হোংলগা হুন্দোকই, পান্থৈ লৈতে অদুম অমুক পৈখৎলকই।

মতাং অসিদা নীংশিংলকই - মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দ - টি ভিদা তোইনা উই, পাউচেদা তোইনা থেংনৈ। অমোৎ-অকায় হুন্দোকফম য়েংশিল্লে, মাহুদ মিনিষ্টরসু লাকই - খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল নান্না থমগনি, চে মচেৎ অমত্তা চাইহল্লোই লাউবীরমই, কেমেরা পায়বা ময়াম, রিপোর্টর ময়াম কোইন ইন্নৈ। পূম্নমক মনুংগী ৱারিনি। লম্বীসিগী ওইরিবা ফীভমসিনা কনানা কনাদা ?

*অদোমগী - লাইশ্রম ইবোমচা,*
*ৱাংখৈ লৌরেম্বম লৈরক, ইম্ফাল।*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৫

১। মণিপুরগী পুৱারীদা জননেতা ইরাবতকী মফম চাউনা লৈরি। সেপ্টেম্বর থানা লাকপদা লৈবাক হুপ্না মাবু নীংশিংনরি।
(ক) জননেতানা সিলেটতা তম্লম্বা স্কুল অদুগী মমিং হায়যু।
(খ) জননেতানা অরোইবা য়াহিপ তানখিবা মফম অদুগী মমিং হায়যু।

২। "শেলবু পায়রবদি অতাঙবা লৈতে, ফংদবা লৈতে। কলিদদি শেল পায়বনা রাজানি।" ৱাফমসি 'মমাঙথোঙ লোল্লবদি মনীংথোঙদা লাকউদনা' কৌবা ৱারীমচাগী লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবদুগী মমিং হায়যু।

৩। ক্ষেত্রি বীরগী নোবেল অমদা গোপাল কৌবা অমগী নুপী টিমগী থৱায়না কাছাড়দা মপোক অমদা পোক্তুনা লৈরম্বা থেংনৈ। নোবেল অদুগী মমিং হায়যু।

৪। আর কে সনাহনবীগী ৱারীমচা অমদা কলাবু নুংশিজরুবী কনাগুম্বী অমবু কলাকার অদুনা মমায় কনশিল্লক্তুনা লৈফম খঙলক্তবা মতাং অমা উৎপা থেংনৈ। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়যু।

৫। "নঙগী নাপলগী থৌরবা তিঙ্খংনা/কনথৎলম্লবা ঐগী থমোয়দা/করিগী শোক্লরি অমুক নৌনা/হূ তৈরবা নঙগী নখূৎনা।" পরেংশিং অসি মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবা অদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্তোবর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## মরোল থোকপা লাই

